এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# মেঘালয়ানা মিজোরাম্বু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ওলইন্দিয়াফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মেঘালয়ানা মিজোরাম্বু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেচতা মেঘালয়া অমসুং মিজোরাম লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনরকখি। অদুবু টিম অনীগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লিংনা লৈনখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৭২শুবা মিনটতা মেঘালয়াগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৩ জোনি বেকোদোর নোঙখলোনা মহাক্কী টিমগী পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। জোনি বেকোদোর নোঙখলোনা চনখিবা পাঞ্জল অদু মিজোরামগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু মেঘালয়াগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মিজোরামনা ১-০দা মায় পাকখি। এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ ২০১৯-২০গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মণিপুর লম্বা তৌনরগনি।

মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

# য়ু পি এস এনা ঈ এস য়ুবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২১দগী হৌদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা চথরক্লিবা মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ইম্ফাল ইষ্ট ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ু পি এস এনা ঈ এস য়ুবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে। অদুগা এ বি এ অমসুং য়ু এস এ পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ইম্ফাল ইষ্ট ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু পি এস এ অমসুং ঈ এস য়ু লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা হেনজিন্নবা য়াদনা লম্বা চানা শান্নরকখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে।

অনীশুবা হাফতা য়ু পি এস এনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৪৪শুবা অমদি ৮০ প্লস টু চৎপা মিনটতা য়ু পি এস এগী শান্নরোয় টি ঐচ দিজেন জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অনী চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ু এস এ অমসুং এ বি এ লম্বা তৌনখি। টিম অনীনা পাঞ্জল চন্দবা য়াদে মতাগুম অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা তক্লদুনা শান্নরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না য়াঙনা শান্নরকখি। মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা এ বি এনা ফংখিবা পেনালটি অমা টিম অসিগী শান্নরোয় এম দি সকিপনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০দা মাঙজিল থাখি। মেচকী ৬৭শুবা মিনটতা য়ু এস এগী মায়কৈদগী শান্নরোয় রাহুলনা ইক্কোলাইজ তৌদুনা মেচ অদু ১-১দা লৈহল্লবা মতুং মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনবদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

১২শুবা মণিপুর ষ্টেট সব জুনিয়র বোল্লিবোল বোইজ এন্দ গর্লস টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

# কে এল ৱাই এস সী, ৱাই এম দি ও, টি আর ৱাই ভি সী, কে এল ৱাই জি সী সেমী ফাইনেল লাইন-অপ তৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন মপান কাংজৈবুংনা শীন্দুনা ওইনাম বোল্লিবোল গ্রাউন্দ, পব্লিক হোলদা পাঙথোক্লিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট সব জুনিয়র বোল্লিবোল বোইজ এন্দ গর্লস টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে এল ৱাই এস সী, ৱাই এম দি ও, টি আর ৱাই ভি সী, কে এল ৱাই জি সী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল লাইন-অপ তৌখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট সব জুনিয়র বোল্লিবোল বোইজ এন্দ গর্লস টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কে এল ৱাই এস সীনা এন ৱাই সী এ (এ) লম্বা তৌনখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা কে এল ৱাই এস সীনা এন ৱাই সী এ (এ) বু সেট ৩-১ (২৫-২২, ২৫-২৩, ১২-২৫, ২৫-২১) দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱাই এম দি ও অমদি ৱাই পি এ লম্বা তৌনখি। টিম অনীনা ফজনা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ৱাই এম দি ওনা ৱাই পি এবু সেট ৩-১ (২১-২৫, ২৫-১৭, ২৫-২৫, ২৫-৮) দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টি আর ৱাই ভি সী অমসুং পি আর এস সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা টি আর ৱাই ভি সীনা পি আর এস সীবু সেট ৩-০ (২৫-১৯, ২৫-২৩, ২৫-১৯) দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা কে এল ৱাই জি সী অমসুং আই জি ও লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা কে এল ৱাই জি সীনা আই জি ওবু সেট ৩-১ (২৩-২৫, ২৫-১৮, ২৫-১৭, ২৫-১৮) দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

# এন জি এল, ঐচ কে কে এস এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোকপা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন জি এল অমসুং ঐচ কে কে এস এ মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এন জি এল লৌরেম্বম অমসুং পি এ দি এস দল্লিয়ু লংথবাল লম্বা তৌনখি। মেচ অদু এন জি এল লৌরেম্বম্না পি এ দি এস দল্লিয়ুবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। এন জি এল লৌরেম্বমগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু চীংলেনম্না জর্সি নম্বর ১৭না মেচকী ৩১শুবা অদুগা সুরজিৎ জর্সি নম্বর ১৮না মেচকী ৪৫শুবা মিনটতা চনখি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা ঈ ঈ ও লমদিং অমসুং ঐচ কে কে এস এ হাওখা কিয়াম লম্বা তৌনখি। মেচ অদু ঐচ কে কে এস এ হাওখানা ঈ ঈ ও লমদিংবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা ঐচ কে কে এস এগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৮ ঙানবনা চনখি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন মেন্স সিক্স এ সাইদ হোকি টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ভেটরান হোকি এসোসিএসন, ইম্ফালগী লমজিং মখাদা থৌবাল হোকি এসোসিএসন্না শীন্দুনা থৌবালগী মেলা গ্রাউন্দদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২২দগী অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন মেন্স সিক্স এ সাইদ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশীং ১৫ অমসুং ত্রোফি পীগদৌরি। রন্নর্স-অপতনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০ অমসুং ত্রোফি লোয়ননা অহুমশুবা পোজিসন তাবা টিমনা লুপা লিশীং ৫ অমসুং ত্রোফি ফংগদৌরি। বেষ্ট ফেয়র প্লে টিমদা লুপা লিশীং ৩ অমসুং মেমেন্টো, বেষ্ট গোলকিপরদা লুপা লিশীং ১ অমসুং মেমেন্টো, বেষ্ট দিফেন্দরনা লুপা লিশীং ১গা লোয়ননা মেমেন্টো, বেষ্ট ষ্ট্রাইকরদা লুপা লিশীং ১গা লোয়ননা মেমেন্টো অমসুং ফাইনেল মেচকী বেষ্ট স্কোররদা লুপা লিশীং ১গা মেমেন্টো পীগদৌরি।

১৮শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন

# এস দল্লিয়ু সী কৈরকনা য়ু বি এস এ মন্তকপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন, ককচীংনা শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৮শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস দল্লিয়ু সী কৈরকনা য়ু বি এস এ মন্তকপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৮শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০২০গী মরিশুবা মেচ ওইনা এস দল্লিয়ু সী কৈরক অমসুং য়ু বি এস এ মন্তক লম্বা তৌনখি। মেচ হেক হৌবদগী টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নবা অকনবা মওংদা এটেকশিং চথনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এস দল্লিয়ু সী কৈরক্কী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ এম সোমোরজিৎনা মহাক্কী টিমগী পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। সোমোরজিৎনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম য়ু বি এস এ মন্তক্কী মায়কৈদগী অকনবা শাফুগা লোয়ননা হোৎনরকখি। অদুবু এস দল্লিয়ু সী কৈরক্কী দিফেন্স লাইন য়াম্না লিংনা লৈখিবনা কান্নবা ফংখিদে। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ৮০ প্লস ৱান চৎপা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ২ টি লমঙানবনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা লৈহনখি। য়ু বি এস এ মন্তক্কী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু মায়থীহৌখি।

# মণিপুরগী ভেটরান টেবল টেনিস শান্নরোয়শিংবু রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) : মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএসন্না প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হরিয়ানাগী সোনিপটতা চহী অসিগী দিসেম্বর ১৭তগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৭শুবা নেসনল মাষ্টরস টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ানীংবা ভেটরান শান্নরোয়শিং রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লক্লি।

২৭শুবা নেসনল মাষ্টরস টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ অসিদা নুপাগীদা চহী ৪০ মথক্তগীনা ৭৫ মথক্কী কেটেগোরিদা লম্বা তৌনগনি। অদুগা নুপীগী কাঙলূপ্তুনা চহী ৪০ মথক্তগীনা ৬৫ মথক ফাওবগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াগদৌরি।

অসিগুম্বা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক্তা মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএসন অমসুং মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএসনগী খূত্থাংদা টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া ন্যু দিল্লিদা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়রি।

রেজিষ্ট্রেসনগী ফোর্ম পীনশিনবগী অরোইবা নুমিৎ অদু সেপ্টেম্বর ২০দা ওইগনি হায়না মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস চন্দ্র শর্ম্মনা থোকখিবা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী সেপ্টেম্বর ১০গী এদিসনগী লমায় ১২দা য়াওবা সাইখোম মিরাবাইনা ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটিং টিম লুচিংগদৌরি হায়বা পাউ অদুদা হাপখিবা ফোটো অদু মিরাবাইগী মহুত্তা খুমুকচম সঞ্জিতা চনুগী ফোটো ওইনা ওন্ননা হাপখ্রে। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। - এদিটর

১৬শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ য়ু-১৩ ফুটবোল

# পি এফ সী ফাইটোলনা এস জি পি এল এস এ সোনাপুর ৪-১দা থোইখ্রে



জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল (জে ঐচ এস এস) গী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৬শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ য়ু -১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা পি এফ সী ফাইটোলনা এস জি পি এল এস এ সোনাপুর ৪-১দা থোইখ্রে।

টিম ১১না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৬শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ য়ু -১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা পি এফ সী ফাইটোলগী জর্সি নম্বর ১৪ জেসেফনা ২৭শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এস জি পি এল এস এ সোনাপুর ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা পি এফ সীগী লানমুনসাংনা শান্নবগী ৩৮ অমসুং ৩৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনশিন্দুনা ৩-০দা লৈখি। এস জি পি এল এস এগী জর্সি নম্বর ৮ বাহরনা ৫৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু মেচকী ৬৫শুবা মিনটতা ফাইটোলগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা লানমুনসাংনা মহাক্কী হেটট্রিক অদু চন্দুনা ৪-১দা থোইখি। হয়েং এন ৱাই সী নমদালোং অমসুং বি বি এ সোটোবেগ্রা শান্নরগনি।

১৮শুবা সভেন মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯

# সভেন য়ঙ ষ্টার, টুইনেম এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা মণিপুর সোক্কর য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা লাইচীং মাইপৌ প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৮শুবা সভেন মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সভেন য়ঙ ষ্টার অমদি টুইনেম এফ সী মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৮শুবা সভেন মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ঙ ব্রদর অমসুং সভেন য়ঙ ষ্টার বেবিস লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নরকখি। মেচ অদুদা য়ঙ ব্রদরগী মায়কৈদগী য়েল্লো জর্সি নম্বর ৪ অমদি রেদ জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল অমমম চনখি। সভেন য়ঙ ষ্টার বেবিসকী মায়কৈদগী য়ঙ ব্রদর অমসুং সভেন য়ঙ ষ্টার অনীনা গোল অমমম চনখি। মেচ অসি লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী স্কোর ২-২ লৈনবনা পেনালটি কাওনখি।

টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা সভেন য়ঙ ষ্টার বেবিসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা য়ঙ ব্রদরসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমখক চনখি। মেচ অদুদা য়ঙ ষ্টার বেবিসনা য়ঙ ব্রদরবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা টুইনেম এফ সী অমসুং থম্নাপোকপী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা টুইনেম এফ সীনা থম্নাপোকপীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

টুইনেম এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জি চুন, এম রাজা অমদি পি বোননা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা থম্নাপোকপীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু পাওলিন জর্সি নম্বর ১৯না চনখিবনি।




HL-B/55645/3-31oct.



HL-B/5661/11sept-8Nov.(alt)

EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Mechanic/Painting Mistry(2/W,3/W& 4/W) | 3-7yrs Exp. | 3+2 | Rs.8,000 to Rs.22,000 p/m | 18-35 | H.Q |
| 2 | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | Rs.6,500 to Rs.18,500 p/m | 18-25 | H.Q |
| 3. | Tyres Workshop Mistry | 3 to 5 yrs. Exp. | 8 | Rs. 6,500 to Rs.18,500 p/m | 20-35 | H.Q/Branches |
| 4. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 5. | Iron Soldering Mistry | 3 to 5 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.22,000 p/m | 22-45 | H.Q/Branches |
| 6. | Brick Mistry | 5 to 10 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m | 25-45 | H.Q/Branches |
| 7. | Carpentry Mistry | 5 to 10 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m | 25-45 | H.Q/Branches |
| 8. | Driver (Car/Tata) Unmarried | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |

L.G.MOTORS (H.Q) ,KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING.

HL-B/5644/3-31Oct. Pleased Contact: 8787727402


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com